**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 06-04-2026)**

১) মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমাচন্দনা হায়রি- বি.জে.পি হায়বা দল অসি অৱাং নোংপোক লমদমবু তশেংনা নুংশিবা দল অমনি।

২) বি.জে.পি লিংখৎখিবগী ৪৭ শুবা নুমিৎ, ইম্ফালগী নিতাইপাৎ চুথেক্তা লৈবা থন্বাল শংলেনদসু ঙসি পাঙথোকখি।

৩) মণিপুরদা চাকথোং গ্যাস এল.পি.জি কঞ্জুমরশিংদা লেপ্তুনা ফংহল্লি। এল.পি.জি ফংলরোই হায়বগী মীপাইনিঙাই লৈতে হায়রি।

৪) মণিপুর বিধান সভাগী অধ্যক্ষ থোকচোম সত্যবর্তনা হায়রি- থাং-তা য়াওনা লমদম অসিগী কলা সংস্কৃতিনা মণিপুরবু মালেমগী মীয়ামা শকখঙনরি।

অমসুং

৫) সরকারনা হায়রি- নোংচুপ এসিয়া লমদমদা ইরাং লৈজরবসু লৈবাক অসিদা চীঞ্জাক্কী অৱাৎপা লৈরোই।

------

সিএম (এল)ঃ মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমাচন্দনা হায়রি- বি.জে.পি হায়বা দল অসি অৱাং নোংপোক লমদমবু তশেংনা নুংশিবা দল অমনি। অৱাং নোংপোক লমদমবু নিংথিনা চাওখৎহন্নবগীদমক হান্নগী প্রধান মন্ত্রি অতল বিহারি ভাজপায়না দোনর মন্ত্রালয় শেমগৎলম্বা অদুবু মুখ্য মন্ত্রিনা শিংথাখি।

নোনে জিলাগী লোংমাই পার্ট থ্রি মল্টিপরপজ হোলদা ঙসি পাঙথোকখিবা বি.জে.পিগী ৪৭ শুবা মপোক কুমওন থৌরমদা ৱা ঙাংবদা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়- প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা সংসদতা মণিপুরগী অপুনবগী শক্তম কৈদৌঙেদা কাইহল্লোই হায়না ফোংদোকখিবা অদুনা কেন্দ্র সরকারনা মণিপুরগীদমক লেপ্লি হায়বদু ময়েক শেংনা উৎলে। খা নোংপোক থংবা এসিয়া লৈবাকশিংগা শমহন্নবগীদমক লুক ইষ্ট পোলিসিবু এক্ট ইষ্ট পোলিসি ওন্থোক্তুনা ট্রান্স এসিয়ান হাইৱেজ হাংদোক্লে।

মুখ্য মন্ত্রিনা মখা তানা হায়- নোনে জিলাদা লৈরিবা দাইট সেন্তর নিংথিনা মথৌ তৌহন্নবা সরকারনা হোৎনরি। মহাকা হায়- মফম অদুগী এ.এল.এ দিপু গাংমৈগা তান্নদুনা তোঙান তোঙানবা চাওখৎ থৌরাংগী থবকশিং পায়খৎকনি।

মুখ্য মন্ত্রিনা মফম অদুগী সি.এস.ওশিংগসু উন্নখি। উন্নবা অদুদা সি.এস.ওশিংগী মাইকৈদগী মেমোরেন্দম অমা মুখ্য মন্ত্রিদা পীশিনখি ।

অমরোমদা, মুখ্য মন্ত্রিনা জিরিবাম অমসুং অসামগী খোঙচৎ লোইদুনা ইম্ফালদা থুংলবদা খ্বাইরম্ন্দ ইমা কৈথেলগী ইমাশিংনা তরামা ওকখি।

বিজেপি (এল)ঃ ভারতিয়া জনতা পার্তি (বি.জে.পি) লিংখৎখিবগী ৪৭ শুবা নুমিৎ ঙসি লৈবাক শিনবা থুংনা পাঙথোক্লি।

নুমিৎ অসিগী পালন বি.জে.পি মনিপুর প্রদেশনা শিন্দুনা ইম্ফালগী নিতাইপাৎ চুথেক্তা লৈবা থম্বাল শংলেনদা পাঙথোকখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা দলগী ভাইস প্রসিদেন্ট নোংথোম্বম নিম্বসনা হায়- বি.জে.পি অসি প্রিন্সিপল মঙাগী মখাদা থবক তৌবনি। মহাকা হায়- দল অসি হৌজিক্তি মালেমগী ওইনা খ্বাইদগী চাউবা দল ওইবতা নত্তনা মেম্বর খ্বাইদগী মশিং য়াম্বা রাজনীতি দল অমা ওইরক্লি।

নুমিৎ অসিগা মরী লৈননা বি.জে.পিগী মকোক থোংবা লুচিংবা অমসুং প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি, গৃহ মন্ত্রি অমিত শাহ, বি.জে.পিগী প্রসিদেন্ট নিতিন নবিন, রাজ্যগী মুখ্য মন্তি যুমাম খেমচান্দ য়াওনা অতৈ লুচিংবা কয়ানা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

এলপিজি (এল)ঃ মণিপুরদা চাকথোং গ্যাস এল.পি.জি কঞ্জুমরশিংদা লেপ্তুনা ফংহল্লি। ইন্দিয়ান ওইল কোর্পোরেসন্নসু য়ুম য়ুমদা এল.পি.জি নিংথিনা ফংহন্নবা হোৎনরি অমদি য়েন্থোকপগী থবক কুপা য়েংশিল্লি।

পি.আই.বিনা থোকপা চেরোল অমনা হায়- মণিপুরদা হৌজিক এল.পি.জি সিলিন্দর লিশিং ১২ নুমিৎ খুদিংগী য়েন্থোক্লি। মসিগী মথক্তা কঞ্জুমরশিংনা ওনলাইনগী খুত্থাংদা এল.পি.জি লৌনবা বুক্কিং তৌবা য়াহল্লে। মসিনা কঞ্জুমরশিংদা এল.পি.জি চাং নাইনা ফংহন্নবা হোৎনবদা অচৌবা মতেং অমা ওইরি। কঞ্জুমরশিংদা দিলিভরি ওথেন্তিকেসন কোদ সিষ্টেম শিজিন্নদুনা শুকশোই শোইদনা এল.পি.জি ফংহন্নবা হোৎনরি। নারোনদা গ্যাস সিলিন্দর য়োনবা অমদি আইন কায়না করবার তৌবশিং থিংনবগীদমক ইন্দিয়ান ওইল কোর্পোরেসন্না রাজ্য সরকারগা খুৎশমরগা অখন্নবা থৌরাং পায়খৎলি। মণিপুরগী গ্যাস কঞ্জুমরশিংদা এল.পি.জি য়েন্থোকপদা মনুং মপান ফাওনা অমদি অরোন অথুপ য়াওদনা য়েন্থোকপা ঙমবা ওথোরিতিশিংগা তান্নদুনা অখন্নবা থৌরাং লৌখৎলে। রাজ্য অসিগী ওইনা এল.পি.জিগী ষ্টোক মরাং কায়না লৈরি। মীয়ামা ফংলোই হায়বগী ৱানিঙাই লৈতে হায়রি।

কঞ্জুমরশিংনা মিস কোল পীরগা বুক্কিং তৌনবগীদমক টেলিফোন নম্বর **84549 55555,** এস.এম.এস বুক্কিংদগীদমক **77189 55555,** ৱাটস এপপ বুক্কিংগী ওইনা **75888 88824** দা বুক্কিং তৌবা য়াগনি।

থাং-তা (এল)ঃ মণিপুর বিধান সভাগী অধ্যক্ষ থোকচোম সত্যবর্তনা হায়রি- মণিপুরদা ঙল্লিঙৈ মতমদগী লৈরক্লবা ইপা ইপুশিংনা থন্বীরম্বা থাং-তা মশান্না অসিগীদমক ঐখোয়না চাউথোকচৈ।

এসোসিয়েসন ওফ ইন্দিয়ান য়ুনিভর্সিতিজ নিউ দিল্লিগী মখাদা মণিপুর য়ুনিভর্সিতিনা শিন্দুনা কাঞ্চিপুরদা লৈবা য়ুনিভর্সিতি অসিগী ডাঃ কমল ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা ঙসিদগী হৌদুনা থা অসিগী ৯ ফাওবা চত্থগদবা ওল ইন্দিয়া ইন্তর য়ুনিভর্সিতি থাং-তা মেন্স এন্দ ৱিমেন্স কম্পিতিসন ২০২৫-২৬ হৌদোকপগী থৌরমদা শ্রী সত্যবর্তনা হায়- লমদম অসি কলা সংস্কৃতিদা থাক ৱাংনা লৈ হায়না

লৈবাক অসিগী অমদি মালেমগী মীয়ামা শকখঙনরি। অসিগুম্লবা ইনাক খুল্লবা কলা সংস্কৃতিগী মচাকশিং অসি ঐখোয় খুদিংমকা মশক থোকা থমবা হোৎনশি। য়ুনিভর্সিতি অসিনা অসিগুম্বা কম্পিতিসন অমা শিনবা ঙম্বা অসি রাজ্য অসিগী ওইনা চাউথোকচনিঙাইনি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা মণিপুর য়ুনিভর্সিতিগী ভাইস চান্সেল্লর প্রোফেসার এন. লোকেন্দ্রনা হায়- লানগী মতমদসু থাং-তানা অচৌবা থৌদাং লৌখি। থাং-তাগী লমদা হৈথোই শিংথোইরবা মণিপুরগী লান্মীশিংনা য়েকবা বরমিজ লান্মীশিংব্ মায়থিবা পীখি। লৈবাক অসিগী শকাইরবা ওলিম্পিয়নশিংনা মখোয়গী মায় পাকপগী মরম অদু থাং-তা মশান্নগী লৌশিং কয়ানা মতেং ওইখি হায়না মহাকা ফোংদোকখি।

ঙসিদগী হৌরিবা কম্পিতিসন অসিদা তোঙান তোঙানবা রাজ্যশিংগী য়ুনিভর্সিতিশিংদগী লাকপা মহৈরোইশিংনা শরুক য়ারি।

লান (এল)ঃ ইং ১৮৯১ দা থোকখিবা এঙ্গলো মণিপুরী ৱার অদুগী থৌবাল অথোকপম লানফমদা থৱায় থাখ্রবা মণিপুরগী অথৌবশিংবু নিংশিংদুনা ঙসি কুমওন পালন পাঙথোকখ্রে। জষ্টিস কমিতি ওন এঙ্গলো মণিপুরী ৱার ১৮৯১-মারটিয়র্স এন্দ ফ্রিদম ফাইটর ওফ কংলৈপাক (মণিপুর) অমসুং নিংথেমচা নীংশিং লুপনা শিন্দুনা থৌবাল অথোকপমগী কৌবীলা মখোঙ লম্পাক, তেঙ্গোল লম্পাক্তা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা খাঙবোক কেন্দ্রগী এম.এল.এ শুরজা কুমার ওক্রমনা অথোইবা মীথুংলেন অমসুং জষ্টিস কমিতিগী চেয়ারমেন জোয়চন্দ্র কোন্থৌজমনা থৌরম মপু ওইখি।

থৌরমগী শরুক অমা ওইনা লৈখিদ্রবা অথৌবশিংগী মফমদা ইকায় খুমবা উৎতুনা লৈ-শু কৎখি অমসুং অরোং তুরেলদা হৈথা লৈথাখি।

ৱিমেন (এল)ঃ মণিপুর ষ্টেট কম্মিসন ফোর ৱিমেনগী চেয়ারপার্সন থুমলিপ তিনিংফম মোন্সাংনা হায়রি- নুপীশিংনা মশাগী হক খন্না চাউথোকচবগা লোয়ননা লৈনবা হোৎনগদবনি।

মণিপুর ষ্টেট কম্মিসন ফোর ৱিমেন্না শিন্দুনা ক্রাইম এগেনষ্ট ৱিমেন-রিদ্রেসেল মেকানিজম হায়বা হিরমদা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী ময়াং লাংজিক তনিং কম্যুনিতি হোলদা ঙসি পাঙথোকখিবা নোংমগী ওইবা নুপীশিংবু নিংথিনা খঙহনবগী থৌরমদা ৱা ঙাংবদা শ্রীমতি মোন্সাংনা হায়- অসিগুম্বা থৌরম কয়া কম্মিসন্না রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা শিন্দুনা পাঙথোক্লিবা অসি নুপীশিংনা মশাগী হক খঙনা সমাজদা হিংনবা হোৎনবগী তঙাইফদবা অদু নিংথিনা খঙহন্নবনি।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা কম্মিসনগী মেম্বর সেক্রেতরি দব্লিউ. ফজতোম্বী দেবীনা হায়- নেসনেল কম্মিসন ফোর ৱিমেনগী লমজিং মখাদা রাজ্য অসিগী ওইনা ষ্টেট কম্মিসন ফোর ৱিমেন লিংবনি। মণিপুর অসি অপিকপা রাজ্য অমা ওইজরবসু মণিপুর ষ্টেট ৱিমেন কম্মিসন্না অচৌবা থৌদাং কয়া লৌদুনা তোঙান তোঙানবা থবক থৌরম কয়া পায়খৎলি।

সোসাইতি (এল)ঃ মীতৈ সোসাইতি চুরাচান্দপুরগী ৬৯ শুবা মপোক নুমিৎ পালন থৌরম সোসাইতি অসিনা শিন্দুনা ঙসি বিষ্ণুপুর জিলাগী মোইরাংদা লৈবা আই.এন.এ ওদিতোরিয়মদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন, মোইরাং কেন্দ্রগী এম.এল.এ- থোঙাম শান্তি, মীতৈ কাউন্সিল, মীতৈ সোসাইতি অমসুং তোঙান তোঙানবা সি.এস.ওশিংগী মীহুৎশিং শরুক য়াখি।

ফেলোসিপ (এল)ঃ রাজ্যগী দাইরেক্তোরেট ওফ ইনভাইরোনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেত চেঞ্জনা ইং ২০২৬-২৭ গী ওইবা ৭ শুবা ষ্টেট লেবেল মিদিয়া ফেল্লোসিপ প্রোগ্রাম ওন ক্লাইমেত চেঞ্জ রিপোর্টিংদা ফেল্লো ফংনিংবা মণিপুরগী পাউমীশিংদগী দরখাষ্ট কৌরি। চহি অসিগী ফেল্লোসিপ প্রোগ্রাম অসিগী হিরমনা ক্লাইমেত চেঞ্জ ইম্পেক্টস এন্দ এক্সন্স ইন মণিপুর হায়বসিনি। কেটগোরি মরি থোকা- প্রিন্ট মিদিয়া রিপোর্টর, ইলেক্ত্রোনিক মিদিয়া রিপোর্টর, ৱিমেন প্রিন্ট মিদিয়া রিপোর্টর, হিল জরনেলিষ্ট প্রিন্ট মিদিয়া রিপোর্টরদা পুন্না ফেল্লোসিপ ১০ পীগনি। ফেল্লোসিপগী দরখাষ্ট পীশিনবগী অরোইবা মতম এপ্রিল ১৭ নি।

অকুপ্পা মরোলগীদমক দাইরেক্তোরেট অসিগী মিদিয়া রিছোর্স সেন্তরদগী খঙবা য়াগনি।

ঈশিং (এল)ঃ সিংদা ডামগী ঈশিং ঈমায় কা হেন্না নেমথখিবনা মরম ওইদুনা সিংদা অমদি কাংচুপ ৱাটর ত্রিটমেন্ট প্লান্টনা কোনবা মফমশিং ইরোহশেন্বা, উরিপোক, লাঙ্গোল গেম ভিলেজ, লমফেল, রিমস, থাংমৈবন্দ অমদি ললাম্বুংগী কঞ্জুমরশিংদা মতম খরা ঈশিং পীবা ঙমখিরোই হায়রি। কঞ্জুমরশিংনা ফিভম অসি মতম খরদং খাঙবিনবা রাজ্যগী পাব্লিক হেলথ ইঞ্জিনিয়ারিং দিপার্টমেন্টনা আপীল তৌরি।

চীঞ্জাক ঃ সরকারনা হায়রি- নোংচুপ এসিয়া লমদমদা ইরাং লৈজরবসু লৈবাক অসিদা চীঞ্জাক্কী অৱাৎপা লৈরোই।

নোংচুপ এসিয়াদা ওইরিবা ফিভমগী মতাংদা নিউ দিল্লিদা ঙসি পাঙথোকখিবা মন্ত্রিশিংগী মীফমদা ৱা ঙাংবদা কঞ্জুমর এফ্যারস দিপার্টমেন্টকী এদ্দিসনেল সেক্রেতরি অনুপম মিশ্রানা হায়- ইরাং অসিনা মরম ওইদুনা ভারত্তা চান থকবা য়াওনা তঙাইফদবা পোৎলমশিংগী মমল হেনগৎপা অমদি ফংলোই হায়বগী মীপাইনিঙাই লৈতে। লৈবাক অসিদা হৱাই চেৱাই পুথোকপগী চাং মমাং চহিগা য়েংনবদা কুমশি চহিগী ওইনা শিংথানিঙাই ওইনা হেনগৎলে। সরকারনসু পোত্থোকশিং অমদি পোত্থোকশিংগী মমল হেনগৎনা য়োন্দনবা কুপা য়েংশিল্লি।

মিফম অদুদা শরুক য়াখিবা ফুড এন্দ পাব্লিক দিষ্ট্রিব্যুসন দিপার্টমেন্টকী জোইন্ট সেক্রেতরি সি. সিখানা হায়- হৌজিক হৌজিক লৈবাক অসিদা চেং অমদি গেহুগী ষ্টোক মরাং কায়না লৈরি। হৌজিক হৌজিক ষ্টোক্তা চেং অমসুং গেহু মেত্রি টন লাখ ৬০২ লৈরি। নেসনেল ফুড সেক্যুরিতি এক্টকী মখাদা মীয়ামদা দরকার লৈবা চান থকবা পোৎলমশিং নিংথিনা ফংহল্লি। কৈথেলদসু চীঞ্জাক্কী মমল হান্না লৈরম্বা মমলদা অদুমক য়োননবা সরকারনা খঙহল্লি। মসিগী মথক্তা অচাথাউ অমদি চিনিগী ষ্টোকসু মরাং কায়না লৈরি। পোৎ চৈগী মমল

হেনগৎলকপা থিংননবা সরকারনা অখন্নবা থৌরাং পায়খৎলে হায়নসু মহাকা মখা তানা ফোংদোকখি।

মোদি ঃ বি.জে.পিগী মকোক থোংবা লুচিংবা অমসং প্রধান মন্ত্রি মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি- অসামদা থংন-থংননা অহুল্লক শুবা ওইনা ভারতিয়া জনতা পার্তিনা সরকার শেমগনি। অসামগী বারপেতাদা পাঙথোকপা মীখলগী রেল্লি অমদা শরুক য়ারদুনা শ্রী মোদিনা হায়- দল অসিগী পান্দমদি চাওখৎপা অমসুং মরোমদোম লেপচবা ঙম্বা লৈবাক অমা ওইহনবনি। মহাকা হায়- হৌখিবা চহি ১০ অসিদা অসামদা শিংথানিঙাই ওইনা শান্তি অমসুং নুংশি চান্নবা ফিভম লৈহনবা ঙমলে।

লাক্লিবা চহিশিংদসু খোঙচৎ অসি হেন্না মপাঙ্গল কনশিনহন্দুনা মরোমদোম লেপচবা ঙম্লগনি। অসামদা পায়খৎলিবা চাওখৎ থৌরাংগী ফিভমশিং পল্লদুনা প্রধান মন্ত্রিনা হায়- রাজ্য অসিদা কন্নেক্তিভিতি হেন্না ফগৎহন্দুনা তুরিজম সেক্তরদা খুমাং চাওশিনদুনা শেল থুমগী খুদোংচাবা কয়া ফংহল্লে। মমাংদা পাল্লম্বা কংগ্রেস সরকারনা রাজ্য অসিবু চাওখৎহন্নবা হোৎনরমদে, মদুগী মহুৎতা রাজনীতিগী খুদোংচাবা লৌনবা হোৎনরম্মী হায়না প্রধান মন্ত্রিনা কংগ্রেস দলবু মরাল শিখি।

মহাকা হায়- ভিক্সিত ভারতকী মনুং চন্না রাজ্য অসিবু ভিক্সিত অসাম ওইহন্নবা তুং কোইনা চৎনগদবা রোড মেপ অমগী মখাদা বি.জে.পিনা থবক কয়া পায়খৎলি। মদুগী তুংদা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফম অনিদা পাঙথোকপা মীখলগী রেল্লিশিংদসু শ্রী মোদি শরুক য়াখি।

রাজনাথ ঃ ঙাকশেল মন্ত্রি রাজনাথ সিংহনা হায়রি- লৈবাক অসিগী লান্মীশিংদা হকশেলগী খুদোংচাবশিং ফংহনবা হায়বসিনা সরকার অসিনা পায়খৎপা থবকশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী মাংজিল থানা পায়খৎলি। মহাকা হায়- লান্মীশিং অসিনা তোঙান তোঙানবা খুদোংথিনিঙাই ওইবা ফিভম কয়াদা অয়ুক নুংথিল খায়দনা মথৌ পাঙথোক্লি। ৱাফম অসি নিউ দিল্লিদা পাঙথোকপা আর্মি মেদিকেল

কোরগী রেজিং ডে থৌরমদা শ্রী রাজনাথনা ফোংদোকখিবনি। মহাকা হায়- লৈবাক অসিগী মফম কয়াদা রিছার্স অমদি রিফরেল হোস্পিতালশিং লিংখৎপগী তঙাইফদবা লৈ। মহাকা হায়- অসিগুম্বা মশক নাইরবা হোস্পিতাল অসি লৈবাক অসিগী মনুং হুঞ্জিন্না লৈবা মফমশিংদসু লৈহন্দুনা লান্মীশিংদা অনা লায়েংগী খুদোংচাবা পীরগনি।

--হৌজিক শান্নবগী পাড--

ফুটবোল ঃ  ৬৫ শুবা সার চুরাচান্দ সিংহ কে.সি.এস.আই.সি.বি.ই মেমোরিয়েল ফুটবোল তুরনামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা আর.এফ.সি.সি অমদি পথাপ এফ.সি পাঞ্জল ১-১ চন্নদুনা দ্রো ওইখ্রে।

ফুটবোল ঃ  ই.এম.এফ.সি লম্লাই অমসুং কৈশামথোং এফ.সি, ২৪ শুবা চেলেঞ্জ কপ ভেটরান ফুটবোল তুরনামেন্ট ২০২৬ কী ফাইনেলদা থেংনরগনি।
ঙসি শান্নখিবা অনিসুবা সেমি ফাইনেলদা কৈশামথোং এফ.সিনা থাংমৈবন্দ এফ.সিবু পাঞ্জল ৬-০ দা থোইখি।

ফুটবোল ঃ  ক্যামগৈ য়ুথ পাইওনিয়র ক্লবনা শিন্দুনা চথরিবা চহি ১৫ মখাগী ১৪ সুবা খাগেম্বা ফুটবোল ত্রোফিগী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা সাই উৎলৌনা অৱাং জিরিবু পাঞ্জল ৩-১ থোইখি। অতোপ্পা মেটচ অমদা হৈঙাং এফ.সিনা জি.এফ.সি (বি) ক্যামগৈবু পাঞ্জল ৩-০ দা থোইখি।

ফুটবোল ঃ  ইম্ফাল ইষ্ট অপুনবা ফুটবোল ক্লবনা শিনদুনা খুন্দ্রাকপমদা চথরিবা অহানবা প্রিয়া ফাউন্দরস ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা প্রিয়ানা এস.এস.সি পোরোমপাৎপু পাঞ্জল ৪-০ দা থোইখ্রে। অতোপ্পা মেটচ অমদা কাফানা এস.এ.কেবু পাঞ্জল ৪-০ দা থোইখি।

ফুটবোল ঃ অনিশুবা মাইচৌ শামুরৌ চিংগোং ত্রোফিগী ঙসি শামুরৌ খ্বাই গ্রাউন্ দদা শান্নখিবা মেটচতা- থৌবাল এফ.সি লাক্তুবদগী ইশোক এফ.সিনা ৱাল্ক ওভর ফংখ্রে।

ক্রিকেট ঃ নাগালেন্দ ক্রিকেট এসোসিয়েসন্না শিন্দুনা চখৎরিবা এন.ই.সি.দি.সি ইন্তর ষ্টেট ফ্রেন্দসিপ কপ মেন্স অন্দর নাইন্তিনগী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা নাগালেন্দনা মণিপুরবু ৱিকেট ৫ দা থোইখ্রে।

ক্রিকেট ঃ সিক্কিম ক্রিকেট এসোসিয়েসন্না শিন্দুনা পাঙথোক্লিবা এন.ই.সি.দি.সি অন্দর ত্বেন্টি থ্রি ৱিমেন ইন্তর ষ্টেট তুরনামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা মিজোরমনা মণিপুর ৱিকেট ৩ দা থোইখ্রে।

ক্রিকেট ঃ অহুমসুবা খোমদ্রাম ওংবী হিজম মেম্মা দেবী মেমোরিয়েল টি-ত্বেন্তি মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট তুরনামেন্ট ২০২৬ কী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা টি.সি.এম.দি.সি থোংজ্না এল.সি.সি.সি লিলোং চজিংবু ৱিকেট ৬ তা থোইখ্রে।

অতোপ্পা মেটচ অমদা এল.সি.সি লমশাংনা বি.এস.সি-বি ব্রহ্মপুরবু রন ১৮ দা থোইখি।

ক্রিকেট ঃ চহি ১৫ মখাগী নুপীশিংগী অহুমশুবা এম.এন.সি.এ. ৱান ডে ত্রোফি ২০২৫-২৬ কী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা- সেদো থাংমৈবন্দনা এস.টি.ৱাই.সি.সি শগোলবন্দ তেরা কৈথেলবু ৱিকেট ৮ দা থোইখ্রে।

অতোপ্পা মেটচ অমদা এ.কে.এস.দি.ও খাঙবোকা টি.সি.এম.দি.সিবু রন ১০৬ তা থোইখি।

ক্রিকেট ঃ চহি ১৪ মখাগী নুপামচাগী ৫ শুবা এম.এন.সি.এ ৱান ডে ট্রোফি ২০২৫-২৬ কী ঙসি শান্নখিবা লিগ মেটচতা আর.সি.এ লিলোংনা বি.কে.সি.সি বামোনকম্পুবু রন ২১৭ তা থোইখ্রে।

অতোপ্পা মেটচশিংদ ৱাই.এ.এল থৌবাল লৈশাংথেমনা অল অমিন লিলোংবু ৱিকেট ৫ দা, কে.এস.দি.ও ক্যামগৈনা দব্লিউ.ৱাই.সি থৌবাল ৱাংখেমবু রন ৩৫৩ দা, এন.সি.এ নম্বোলনা ই.এস.য়ু ৱাংখৈ পেলেস কম্পাউন্দবু রন ১৬২ দা, ৱাই.য়ু.সি.সি. ক্বাকৈথেল মোইরাংপুরেলনা এল.সি.সি লমশাংবু রন ২৬ দা থোইখ্রে ।

------